ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

Refreshingly Reliable

HUEIYEN LANPAO

হুইয়েন লানপাউ

The messenger of the masses

মণিপুর এক্স-এম এল এ'জ ৱেলফেয়র এসোসিএসননা সী এম কোভিদ-১৯ রিলিফ ফন্দদা কৎখিবা শেনফম চেক ওইনা এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট বি দি বেহরিংনা সী এম বিরেনদা খূৎশিন্নখিবা

কোভিদ-১৯ থেংননবা ককচীংদা হাংলিবা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংগী অকোয়বদা ইন্টরনেসনল দে ওফ বাইওদাইভর্সিটিগী থৌরমদা রেঞ্জ ফোরেষ্ট ওফিস ককচীংনা উ চারা কয়া থাখিবা

CELEBRATION OF INTERNATIONAL DAY OF BIODIVERSITY
লামায় ৫

পাউচে অসিগী পাউমী নাওরেম গ্যানন্দগী খূথাংদা মঙলান তেংবাং লূপনা পল্লেল ৱাংবা থোং কম্যুনিটি হোলদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা অমর্জিৎতা রিক্সো খূৎশিন্নখিবা

লামায় ৫

আর কে সনাতোম্বী বিদ্যলায় হাওতলদা হাংলিবা ক্বারন্টিন সেন্টরদা মথৌ তৌরিবা মেদিকেল টিম অমদি সিকুরিটি পর্সনেলশিংদা এম এল এ লোকেশ্বরনা সেনিটাইজর অমদি মাস্ক খূৎশিন্নখিবা

Vol. 44, Issue No.058 | থাংজ, ইঙাগী নোংমা পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ৮ | HUEIYEN LANPAO, | Saturday, May 23, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

অপূনবা কেস ১,২৪,৬৪২ শুরে

ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস) : ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯গী অপূনবা কেস মশিং ১,২৪,৬৪২ শুরে। লায়না অসিনা শিহনখিবা মীশিং ৩,৭১৭ শুরে। নারুবদগী ফগৎলকপা মীশিংনা ৪৮,৫৩৩ নি। মালেমগী ওইনা অপূনবা কেস মশিং ৫২,৫২,৩১২ য়ৌরে। শিখিবা মশিং ৩,৩৬,৬৩০ শুরে। নারুবদগী ফগৎলকপা মীশিংনা ২১,২০,২২৮ নি।

ট্রান্সফর তৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস) : মণিপুর পুলিসকী দি জি পিনা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমনা মণিপুর পুলিসকী ইন্সপেক্টর অনী ট্রান্সফর তৌখ্রে। ওর্দর অদুগী মতুংইন্না তুলিহল এয়রপোর্ট পি এসকী ও সী ওইরম্বা কে বোবীনা এন এ বি-পি এসকী ও সী ওইনা অমসুং এন এ বি-পি এসকী ও সী ওইরম্বা এস ঐচ চন্দ্রকুমারনা তুলিহল এয়রপোর্ট পি এসকী ও সী ওইরগনি হায়রি।

ফাইন থীহনখ্রে

ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস) : লোকদাউন থুগায়বা মীওই ৫৫২ গাড়ী ৪৩৬কা কোন্ননা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পুলিসনা দিটেন তৌখ্রে। মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা পুলিসনা দিটেন তৌখিবা মীওইশিং অদুদগী ফাইন ওইনা লুপা ৬৯,৫৯০ থীহনখ্রে হায়রি।

'পাস পায়দ্রবসু চৎপা য়ারগনি'

ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস) : টেলিকোম ওপরেটর অমদি ইন্টর্নেট সর্ভিস প্রোভাইদরশিংদা থবক তৌরিবশিং; আর বি আইনা শকখঙলবা বেঙ্কশিংদা থবক তৌরিবশিং; লোয়ননা এয়রপোর্ট অমদি এয়রলাইন্সশিংদা থবক তৌরিবা মীওই পুম্নমক কর্ফ্যু পাস পায়দ্রবসু মশাগী আইদেন্টিটি কার্দ অমদি দ্যুটি ওর্দর উৎলগা চৎথোক-চৎশিন তৌবা য়াগনি হায়না চীফ সেক্রেটরি ডা. জে সুরেশ বাবুনা থোকপা ওফিস মেমোরেন্দম অমনা ফোঙদোক্লি।

কোভিদ-১৯না ওইহল্লক্লিবা ফীভমশিং থেংননবা লৈঙাক্লা মপূং ফানা শেম শারগা লৈরে, মিপাইবা তৌবীগনু : সী এম

ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস) : রেদ জোনদগী হল্লকপশিং তোঙান্না থল্লগা টেষ্ট তৌগনি, লমদমসিদা কোভিদ-১৯ থেংনবদা ফ্রন্ট লাইনদা থবক তৌরিবশিংদা থোকহন্নিংদবা থোরকপদা লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েং থমগনি। পেন্দেমিক ওইরবা কোভিদ-১৯না মণিপুরদা ওইহল্লক্লিবা ফীভমশিং থেংননবা লৈঙাক্লা মপূং ফানা শেম শারগা লৈরে, মীয়াম্না মিপাইবা তৌবীগনু হায়না চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

Seegene
ANI

চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়টতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা সী এম নোংথোম্বম বিরেননা হায়খি, মপান লমদা পন্দুনা লৈরিবা মণিপুরগী মীওইশিং পুশিল্লকপা মতমদা পোজিটিভ ওইবা কেস খরদি য়াওরক্কনি হায়বসি লৈঙাক্লা হান্ননা খল্লি। মসিগীদমক তঙাইফদনা লায়েংনবা থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা থল্লি। মপান্দা পন্দুনা লৈরিবশিং অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। মখোয়না লৈরিবা মফম অদুদা লৈহন্নিংলক্তবা য়াওনা অৱাবা কয়াগী পাউদম পুম্নমক্লা তারে। মীনুংশি য়েংলগা মখোয়বু ইরমদমদা পুরকপা হায়বসি লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙলগা পুশিল্লকপা হৌখিবনি। রেদ জোনদগী লাকপশিং অসি তোঙানবা মফমদা থল্লগা টেষ্ট তৌগনি। জেনিমস অমসুং রিমসতা টেষ্ট তৌবগী মশিং হেনগৎলে। টেষ্ট তৌনবা মেছিন অসি মাও নৎত্রগা জিরিবামদা হেক্তা থন্বা য়াদবগী মওং লৈবনা রিমস অমসুং জেনিমসতা থন্বনি। টেষ্ট তৌবগী চাং হৌজিক য়াম্না ৱাংখৎলে। ইন্দিয়া পুম্বগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লৈখিদবগী চাং অসি অপূনবা অনাবা মশিংগী য়েংবদা চাদা ৩ রোমখক্তনি। রিকোভরিগী চাংদি চাদা ৪০ হেল্লিবনি। কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক অসিদগী ঐখোয়না চেকশিনবদি তঙাইফদে। অদুবু য়াম্না কা-হেন্না মীপায়নিংঙাইদি লৈতে।

লৈঙাক্লা অনৌবা লাঞ্জং অমগা লোয়ননা কোভিদ-১৯ থেংননবা হোৎনরি। মসিদা অফবা সজেসন পীবীয়ু। নেগেটিভ ওইবা মওংদা ক্রিটিসিজম তৌবীগনু। হোম মিনিষ্ট্রি অমদি আই সী এম আরনা মতম-মতমগী ওইনা পীরকপা গাইদলাইনশিং ঙাক্লা চৎসি। লোকদাউনগী চৎন-কাঙলোন ঙাক্লা অমদি সোসল দিষ্টেন্সিংনচিংবা ঙাকপদগী মণিপুরদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি কম্যুনিটিদা শন্দোরকপগী ৱাফম লৈত্রি। পোজিটিভ ওইরিবা খরা অসি মপান লমদগী লাকখিবা ঙাক্তনি। মখোয়শিং অসি লায়েংবগী থবক চখুরি। মপান লমদা পন্দুনা লৈরম্বশিং পুশিল্লকপা মতমদা নীংথিনা টেষ্ট তৌগনি। ক্বারন্টিন সেন্টরদা থল্লিবশিং টেষ্ট তৌবগী থবক য়াম্না কন্না চখুরি। টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইরকপশিং য়ুমদা ক্বারন্টিন তৌবা য়াই। মসিদা লৈকায়গী মীওইশিংনা চঙহন্দবগী থৌওং চখুবীগনু। মফম খরদা ক্বারন্টিনদগী নেগেটিভ ওইরে হায়না ময়ুমদা হল্লকপা মতমদা লৈকায়না য়ানিংদবা মওং ফোঙদোরকপা য়াওনখি। য়ুমদা তোঙান্না লৈবগী খুদোংচাবা লৈরোইদবা মীওইশিংগী ওইনদি এ সীশিংদা এম এল এগী মীৎয়েং মখাদা হাংবা ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈবা য়াই। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লায়না-লায়ওং অসি থেংননবা অখন্নবা মীৎয়েং চঙলি। কনাগুম্বশিংনা মপান্দগী হল্লক্লগা নারোন্দা য়ূমদা চঙলম্বা নৎত্রগা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদগী তুমিন্না য়ূমদা

…মখা লামায় ৩ কলম ৩

দিল্লিদগী হল্লকপা ১সু পোজিটিভ ওইরে

ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস) : দিল্লিদগী হল্লকখিবা মীওই অমসু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে। কেস অসি থারগা মণিপুরদা কোরোনাভাইরসকী অপূনবা কেস মশীং ২৬ শুখ্রে। অপূনবা কেস ২৬ অসিগী মনুংদা কেস ২৪না এক্টিভ ওইরি অমসুং কেস অনীনা লায়না অসিনা নারুবদগী ফখ্রে।

হেল্থ দিপার্টমেন্টকী এদিসনল দিরেক্টর ডা. কে ঐচ সশিকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, নাতোন ফুনবগী লায়ওং থেংনবা মীওই অমা ঙরাং নুমীদাং রিমসকী ভি আর দি এলদা টেষ্ট তৌবদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরল্লে। মশাগী চহী ২২ শুরবা মীওই অদু দিল্লিদগী হল্লকখিবনি।

রিমসকী কোভিদ ক্যের সেন্টরদা থল্লিবা মীওই অদুগা নক্কল্বা অমসুং লোয়নখিবা মীওইশিংগী খোঙ্গুল লীবা হোৎনরি। অনৌবা কেস অসি থারগা মণিপুরগী অপূনবা কেস মশিং ২৬ শুরে। এক্টিভ কেসনা ২৪ নি। হৌখিবা নুমীৎ খরনিগী মনুংদা কোভিদ-১৯গী কেস মশিং তপ্না তপ্না হেনগৎলক্লি। হীরম অসিগী মতাংদা মীয়াম্না মীপায়বা পোকপগী মহুৎতা সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোন ঙাকপগা লোয়ননা ফেস মাস্ক উপকদবনি অমসুং খুৎ-শাশেংনা হামদুনা লূ-নানবগী হৈনবী থমগদবনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, ঙসি নুমীদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবদা রিমস অমদি জেনিমসকী ভি আর দি এলদা সেম্পল ৩৬৪ টেষ্ট তৌবদা লোয়নমক নেগেটিভ ওইরল্লে হায়রি। হৌজিক ফাওবদা পুন্না সেম্পল ৩৭৩৬ টেষ্ট তৌখ্রে। রিমসকী ভি আর দি এলদা সেম্পল ১৪৪ অমসুং জেনিমসতনা সেম্পল ২২০ টেষ্ট তৌখি। মণিপুরগী ওইনা এক্টিভ কেস ২৪ লৈবগী মনুংদা মীওই ৫ রিমসকী কোভিদ ক্যের ফেসিলিটিদা লায়েংলি। জেনিমসতনা মীওই ১৯ লায়েংলি। অনাবা মীওই পুম্নমক থোইনা ফীভম শোকচিল্লকপা লৈতে হায়রি।

তোঙান-তোঙানবা ইন্সটিট্যুসনেল অমদি ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা মপান্দা পন্দুনা লৈরম্বদগী হল্লক্লগা ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈরিবা মীওই কয়া কোরোনাভাইরসকী টেষ্ট তৌননবা মেদিকেল টিমশিংনা সেম্পল লৌবগী থবকসু লেপ্তুনা চথুরি।

চুড়াচান্দপুরদা ফোঙবা পাউচেশিং ঙসিদগী চেফোঙ পুথোক্লরোই

ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস) : চুড়াচান্দপুরদা ফোঙবা পাউচে পুম্নমক্কী এদিটরশিংনা হয়েংদগী চেফোঙ পুথোকপা লেপ্পবা ৱারেপ লৌখ্রে।

জোগম টুদেগী এদিটর এস নেংখানলুন, নিসিন থুহিলতুগী এদিটর বিকি স্বান্টক, মাসোনা থারগী এদিটর এল সেল্লাতে, লমকা পোষ্টকী এদিটর থাংজালিয়ন অমদি মণিপুর এক্সপ্রেসকী এদিটর এল চিনখানলিয়ননা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ওফিসকী ষ্টাফ, রিপোর্টর অমদি হোকরশিং খুদোংথিবা নংহন্দনবগী পান্দমদা হয়েংদগী চেফোঙ পুথোকপা লেপ্পবা ৱারেপ লৌরে।

দিষ্ট্রিক্ট অসিদা কোভিদ-১৯গী কেস মশিং হেনগৎলকপগী মতাংদা এদিটরশিংনা মীফম অমা পাঙথোল্লবা মতুংদা চেফোঙ পুথোকপা লেপ্পবা ৱারেপ লৌখিবনি। লোকদাউন ১.০, ২.০ অমসুং ৩.০দা মীদিয়াগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং কোমথোকখি। মে ১৮দগী হৌখিবা লোকদাউন ৪.০দসু প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াগী মীওইশিং কোমথোক্কনি হায়না মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি ডা. জে সুরেশ বাবুনা ওফিস মেমোরেন্দম অমা থোকখি।

মখা লামায় ৩ কলম ৪

লুহোংবগী থৌরমদা মী ২০ দগী হেন্না তীনবা য়ারোই

ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস) : লুহোংবগী থৌরমদা অরাংফম অমদি ব্রাহ্মন য়াওদনা মী ২০দগী হেন্না তীনবা য়ারোই হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী জোইন্ট সেক্রেটরি (হোম) রেহানুদ্দিন চৌধুরিনা দেপ্যুটি কম্মিস্নর পুম্নমক্তা অইবা চেরোল থাদুনা খঙহনখ্রে। লুহোংবা অমদি মী শিবগা মরী লৈননা পাঙথোকপা থৌরমশিং মরী লৈনবা দেপ্যুটি কম্মিস্নরগী অয়াবা লৌরগা সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোন ঙাক্লা পাঙথোক্কদবনি। মীপুম খূদিংমক ফেস মাস্ক উপকদবনি অমসুং লুহোংবদা শীজিন্নগদবা গাড়ী ৫/৬ তগী হেল্লোইদবনি হায়রি।

মিনিষ্টর হংখানলিয়নগী মথক্তা ভিলেজ চীফনা পিটিসন ১ ফাইল তৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস): মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইবদা নৎতনা মণিপুর লৈঙাক্কী মিনিষ্টর অমা ওইবগা লোয়ননা য়াম্না রেস্পোন্সিবল লৈরবা মিনিষ্টর ভি হংখানলিয়ননা মীয়াম তিনবা থৌরম অমদা শরুক য়াদুনা ঙাংখিবা ৱাফমশিংদা অকক্লবা খুল অমগী চীফ অমসুং মহাক্কী খুঞ্জাশিংগী রাইটশিং শোকপা ফজদবা ৱাঙাংশিং য়াওখ্রে হায়দুনা মিনিষ্টর অসিগী মথক্তা পিটিসন অমা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনদা ফাইল তৌখ্রে হায়রি।

পাউচে অসিনা থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়বদা লৈঙাকসিগী এগ্রিকলচর অমসুং ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রিগী থৌরমশিং পুরিবা মিনিষ্টর অসিগী মায়োক্তা পিটিসন ফাইল তৌখিবা পিটিস্নর অদুগী মমিং থাংখোসৈ গুইটে কৌই, মশাগী চহী ৫৭ লোম শুরে। চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী গুইটে তোঞ্জাং ভিলেজগী চীফ অমসুং চেয়রমেননি হায়রি।

পিটিস্নরনা মহাক্কী পিটিসনদা ৱাকৎলিবনা মমাংগী কুমজা ২০১৯গী ওক্টোবর ৭কী নুমিদাং পুং ৮ লোম তারকপা অমসুং মথংগী নুমীৎ ওক্টোবর ৮গী নুমিদাং পুং ৯.৩০ রোম তারকপদা মহাক্কী খুলগী চঙফম গেটতা স্বাছ সুরভেক্সনগীদমক 'ওপন দিফিকেসন ফ্রী' অমসুং 'ৱেল কম' হায়না ইদুনা থেৎপা সাইন বোর্দশিং মশক খঙদবা মীওইশিংনা থুগায়দুনা অমাঙ-অতা থোকহল্লমখি হায়রি।

অদুবু হায়রিবা ওফেন্স অনীসি চথুরম্লবা মতুং মমাংগী কুমজা ২০১৯গী ওক্টোবর ১৩দা চুড়াচান্দপুরগী ন্যু লমকাদা লৈবা য়ঙ পাইটে এসোসিএসন (ৱাই পি এ)গী হোলদা পাঙথোকখিবা পাইটে ট্রাইবস কাউন্সিল (পি টি সী)গী ১৮শুবা রেজিং দেগী থৌরমদা মিনিষ্টর

…মখা লামায় ৩ কলম ২

ফ্লাইট ওপরেসনগী চাংয়েং তৌগদৌরি

ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস) : মে ২৫দগী ফ্লাইট সর্ভিস তৌবা হৌগদবা মরম্না হয়েং নুংথিল পুং ২ তাবদা এয়রপোর্ট ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা ইম্ফাল ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা ফ্লাইট ওপরেসনগী শেম-শারিবশিং চাংয়েং তৌগদৌরি। থৌরম অদুদা ষ্টেক হোল্ডর পুম্নমক শরুক য়াগনি। কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দোরকপা মরম্না পেসেঞ্জর খূদিংমক নীংথিনা কাঙলোন ঙাকহনবগী তঙাইফদবা লৈবনা ফ্লাইট সর্ভিস হৌদ্রিঙৈদা চাংয়েং অসি পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলকপনি হায়না ইম্ফাল ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টকী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

HL Poll

Q: Malemda shandorakliba COVID-19 gi laichat asi biological weapon na thokhallakpani haibasi thajaningai oibra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Leingakna tongan-tonganba mafamdagi hallakkadaba meeoising khanbagi thabak kanglon chumna paikhatli haina loubra?

Yes 30% No 70%

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৪.৮৩ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৪.৯ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৫.১৮ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৪.২৭
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৫৫

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অস! লোইরেহে!

- অসুক য়াম্বা ময়াম অসিদি করম্না পুরকই?

- [illegible]



- ইবুংঙো, ঐগী গাড়ীদা মুন্না য়েংউ, ভাব তানবা...!

- [illegible]

মীয়ামদা পাউচে য়েন্থোক্লিবা হোকর এসোসিএসনশিংনা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিগী মফম কয়াদা পাউচে য়েন্থোক্লিবা হোকর এসোসিএসনশিংগী তোঙান-তোঙানবা মীফম্না ৱারেপ কয়া লৌখ্রে।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ন্যুজপেপর হোকর এসোসিএসননা হৌখিবা মে ১৭তা পাঙথোকখিবা মীফম্না তোঙান-তোঙানবা ৱারেপ অহুম লৌখ্রে হায়না থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ন্যুজপেপর হোকর এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এস রঘুমনি অমসুং সেক্রেটরি মোইরাংথেম লোকেন্দ্রোনা পূন্না খূৎয়েক পীরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ৱারেপশিং অদুদি লোকদাউন মনুংসিদা মণিপুরদা নুমীৎ খূদিংগী

…মখা লামায় ৩ কলম ৫

পুলিস ওফিসর অমনা দুকান হাংবা য়ারোই হায়না মাইকতা লাউবদগী অৱাই-অখুম তৌনখ্রে

ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ৱেষ্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা থোকখিবা ওর্দর অমনা ঙসি অয়ূক পুং ৬ তগী নুংথিল পুং ২ ফাওবা ইম্ফাল সিটি য়াওনা ইম্ফাল ৱেষ্টনা কোনবা মফমশিংদা লৈবা হোলসেল অমদি রিটেল মার্কেটশিং থোঙ হাংবা য়ারগনি হায়না খঙহনখিবা মতুংইন্না দুকানশিং থোঙ হাংবা হৌনরকপদা পুলিস ওফিসর অমনা দুকান থোঙ হাংবা য়ারোই হায়না মাইকতা লাউরকপদগী মীয়ামগা অৱাই-অখুম তৌনখ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ফংবা পাউনা হায়, দি সীনা থোকখিবা ওর্দর অদুগী মতুংইন্না ঙসি অয়ূক পুং ৮ লোম তারকপদগী হৌনা টিদ্দিম লম্বীগী শরুক ওইরিবা কৈশাম্পাৎ জঙ্কসনদগী ক্বাকৈথেল ফাওবা লম্বীগী নাক-য়েৎতা লৈবা হোলসেল্লর অমদি রিটেল শোপশিং থোঙ হাংনখি। দুকানশিং থোঙ হাংনরকখিবা অদুদা মণিপুর পুলিসকী ওফিসর অমনা অয়ূক পুং ৮.১০ রোম তারকপদা কৈশাম্পাৎ জঙ্কসনদগী ক্বাকৈথেল ফাওবগী লম্বীদা মহাক্লা তোংলিবা গাড়ী অদুদগী মাইক শীজিন্নদুনা দুকানশিং থোঙ হাংবা য়ারোই, অথিংবা লৈরি হায়না লাউরকখিবনি। মতৌ অদুদগী দি সীনা দুকান হাংবা য়ানি হায়রগা করিগীদমক্তা পুলিসনা দুকান থোঙ হাংবা য়ারোই হায়না লাউরিবনো হায়না শাউনরকখি।

মখা লামায় ৩ কলম ২

ভেরিফাই তৌদনা এম জি এন আর ঈ জি এসকী খূৎশুমল পীথোকপা হায় কোর্টনা থিংজিনখ্রে

ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস): হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস রামালিঙ্গম সুধাকর অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোল অনীগী দিভিজন বেঞ্চ অমনা পীখিবা কম্মন ওর্দর অমদা মাইবম উচিৱা গ্রাম পঞ্চায়টকী এম জি এন আর ঈ জি এসকী জোব কার্দ হোল্ডরশিংগী খূৎশুমলশিং কার্দ হোল্ডর/ বেনিফিসরিশিং অসিবু ভেরিফাই তৌদ্রিবা ফাওবগী ওইনা খূৎশুমল পীথোকপা থিংজিনখ্রে।

কম্মন ওর্দর অসি কোর্ট অসিদা ফাইল তৌরকখিবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমগী হিয়রিং ঙরাং চথুরবা মতুংদা মরক্কী ওইবা ওর্দর ওইনা পীখিবনি। পি আই এল অসিগী নম্বরনা ১৭ ওফ ২০২০নি। পিটিসন অসি গ্রাম পঞ্চায়ট অসিগী মনুংদা লৈবা খেলাখোং খোংজিল, উচিৱা নাষ্টাও অমসুং উচিৱা নাষ্টাও মখা লৈকাইদগী মীওই অহুম্না জোইন্ট পিটিস্নরশিং ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি।

পিটিস্নরশিংনা কোর্টতা ৱাকৎলিবনা গ্রাম পঞ্চায়ট অসিগী মখাদা লৈবা মহাত্মা গান্ধী নেসনল রুরেল ইমপ্লোয়মেন্ট গেরেন্টি স্কিমগী বেনিফিসরি- ২৭৮৩গী জোব কার্দশিং মশা-মশাদা পীবীদবগা লোয়ননা মখোয়গী বেঙ্ক একাউন্টকী পাস বূক অমদি এ টি এম কার্দনচিংবসু পীথোক্ত্রে। মসিনা মরম ওইরদুনা থংনরিবা থৌবাল অমসুং ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মখাদা পূন্না লৈরিবা স্কিম অসিগী বেনিফিসরিশিং অসিগী

…মখা লামায় ৩ কলম ৭

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ থিংনবা গাইদলাইন ঙাকপা মথৌ তাই : প্রো. শান্তা

ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯গী লাইচৎ মপুং ফানা লাকশিন্নবগীদমক লৈঙাক্লা পীবা গাইদলাইনশিং নীংথিনা ঙাকপা মথৌ তাই হায়না রিমসকী দিরেক্টর প্রোফেসর এ শান্তনা ফোঙদোকখ্রে।

কোরোনাভাইরসনা হকচাংগী মরুওইবা কয়াৎশিং শোকহল্লি হায়না পল্লদুনা মহাক্লা হায়খি, মপান্দা পন্দুনা লৈরুবা মীওই কয়া ষ্টেট অসিদা লেপ্তুনা পুশিল্লকপা মরম্না অনা-লায়েংগী থবক তৌরিবা হেল্থ প্রেক্টিসিনরশিংদা অচৌবা পোৎলম অমা থোনগৎলে। মতিক চাবা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎহৌদ্রবদি লায়না-লাইচৎ অসি পাক-শন্না শন্দোরকপা য়াই।

ইন্দিয়ন কাউন্সীল ওফ মেদিকেল রিছার্স, ভাইরস রিছার্স এন্দ দাইগ্নোষ্টিক্স লেবোরেটোরি (ভি আর দি এল) অমসুং অতে ষ্টেটশিংদা থবক তৌরিবা মাইক্রো বাইওলোজিষ্ট অয়াম্বনা সেম্পলশিং টেষ্ট তৌবদা চপ চাবা রিজল্ট খঙবা ঙমদবদগী ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরক্লে। কনাগুম্বা মীওই অমা টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইরম্লবসু হোম ক্বারন্টিন তৌদুনা থল্লি। তানফম অসিদা মীওই মশামক, ইমুং-মনুং অমদি য়ুম্লোন-কৈরোন্নবশিংনা প্রোটোকোল নীংথিনা খঙবা তঙাইফদে। সেম্পল অমা টেষ্ট তৌবদা শোয়বদগী

নেগেটিভ ওইরে হায়বা রিজল্ট ফংলকপা য়াই। কনাগুম্বা মীওই অমদা ঙসি মহিক চঙখ্রগা হয়েং নোংঙাল্লগা টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরে হায়বা খঙবা ঙম্লোই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

হোস্পিটালদা কোভিদ-১৯গী পেসেন্ট মশিং য়াম্না লৈরকপা তারবদি হার্ট এটেক, ষ্ট্রোক, দাইলাইসিস, কেন্সর অমদি অতৈ লায়না কয়ানা নারবা মীওইশিংদা মীৎয়েং চঙবা ঙমদবগী ফীভম লাক্লে। দাইগ্নোষ্টিক্স রেদিওলোজি, এক্সরে, সী টি স্কেন অমদি অল্ট্রা সাউন্দনচিংবা লৌবগী মতাংদসু খুদোংচাদবা মায়োক্লরে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

জেনিমসতা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস ১১ থেংনখ্রবা মতুংদা কনাগুম্বা মীওই অমত্তা হোস্পিটাল অসিগী ইমর্জেন্সি ৱার্দতা লায়েংবা লাকখিদ্রে। মণিপুরগুম্বা অপীকপা ষ্টেটতা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লরি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

মপান্দগী মীওই কয়া পুশিল্লকপগী মতাংদা মহাক্লা হায়খি, অকক্লবা মতমগী মনুংদা তাঙ্কক নাইনা তোঙান তোঙানবা মফমদগী মীওইশিং পুশিল্লকপা তারবদি ডোক্তর, নর্স অমসুং পেরা মেদিকেল ষ্টাফতা কা-হেন্না খুদোংচাদবা মায়োক্লরোই। রিমসতা কোভিদ-১৯গী পেসেন্ট অমা মায় পাক্লা লায়েংখিবগা লোয়ননা অকক্লবা পেসেন্টশিং লায়েংদুনা ও পি দি মথৌ তৌরি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

লাইশ্রম তোম্বা খুমন, খাঙবোক

লৈঙাক্লা অমদি পূম্নমক্লা অঙম্বা থাক্তা শেল-থুম, লৌশিং পুথোক্তুনা তমথিরবা কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা হোৎনরি। চৈরক অসিদা পুকচেল পীকপগী মতৌগুম মীওই খুজোক খরনা লৈঙাক্কী পাওতাক ইল্লক্তনা ওন্ন-তৈনবা থৌওং কয়া তৌরকপা য়াওরিবা অসি তৌহনজনিংদে। লৈবাক্কী চিরবা তানফম অসিদা লৈঙাক্লা থিংলে খঙনা-খঙনা হুরান লান্নদা শেল তান্দুনা মীওইবগী পুকপু ফোংনা লুৎ তৌরিবা ইনাক খুনবা মীওইশিংদগী চেকশিনবা মথৌ তারে। অফবা-ফত্তবা করিনো, মাংজবা অমদি কান্নবনা করিনো খঙনা-খঙনা ময়াই কাবা ক্বাজরদা, খৈনি অমসুং য়ুনচিংবা চারি-থক্লিবা ইচম চমজরবা খুন্নাই অসিগী ইচিন-ইনাওশিংসু লৈঙাক্লা থিংলবা অমদি খুন্নাইনসু পামদ্রবা চিঞ্জাকশিং অসি চাবা-থকপগী থবক থাদোকপা ঙম্নবা হোৎনহৌরসি। অমাং-অতানা থল্লবা ময়াই কাবা পোৎলমশিং চাবা-থকপগী হৈনবী লৈখ্রবনিনা থাদোক্লবা হোৎনবদা অৱাবা খরদি মায়োক্লবা য়াই। অদুবু অৱাবা খরা খাংবা অদুনা হকচাং ফনা থন্বা ঙম্বা খক নত্তনা পুন্সি নুংশাংনা ঈমা-ইপা, ইচিন-ইনাওশিংগা লোয়ননা মহীক-মতাই চেন্দবা খুন্নাই অমদা ইংন-চিক্লা নুংঙাইনা হিংমিন্নবা ঙম্বা হায়বদু ওইগনি। কোভিদ-১৯না খুন্নাই অসিদা পারা কয়া অমদি তন্বিরে। পারা অসিদগী খঙজিন-তমশিন্দুনা য়াইফ নুংঙাইবা, চাওখৎপা লমদম অমা হোৎনমিন্নহৌরসি।

ওইনাম বিক্রম, নিংথৌখোং খা

অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা পন্দুনা লৈরম্বা অমদি লৈরিবা মণিপুরীশিং পুথোরক্লবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনবিরক্লিবা অসি লৈঙাক্কী অফবা খোঙথাং অমনি। খোঙথাং অসি থা অমা-অনীগী মমাংদা লৌখৎপীরম্লবদি হেন্না অফবা হায়বদু ওইরমগদবনি। অদুবু হৌখ্রবদি হৌখরে লৈঙাক্লা থৱায় য়াওনা হোৎনবিরিবা অসিমদি তশেংনা থাগৎচৈ। লুরিবদি হৌজিক মপান্দগী পুশিল্লক্লিবা মণিপুরীশিংবু য়াম্না চেকশিন্না টেষ্ট তৌরবা মতুংদা মফম চানা আইসোলেসন ৱার্দ অমদি ক্বারন্টিন সেন্টরদা থম্লবা হোৎনবা অদুনি। মরমদি ক্বারন্টিন সেন্টরদগী চেন্থোকখিবা অমদি নুমিদাংৱাইরমদা ক্বরন্টিন সেন্টরদগী থোক্লক্তুনা মখোয়বু উনবা লাকপা মীওইশিংগা চেকশিন থৌরাং য়াওদনা উনবসু য়াওদবা নত্তে। লৈঙাক্লা অখন্নবা পুলিস পর্সনেলশিংদা ক্বারন্টিন সেন্টর পূম্নমকপু ফজনা ঙাক শেলহন্নবা ওর্দর তৌহন্নিংই। লম্বিদা চৎথোক-চৎশিন তৌরিবশিংসু ঙাক শেনবগী মথৌ তাই অদুবু তঙাইফদনা হৌজিক্কী ওইনা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা হেন্না মীৎয়েং চংহন্নিংই। চেকশিনহৌদ্রবদি অতোপ্পা মীওইশিংদা লায়না অসি শন্দোরকখিবা য়াই।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৱাটসএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫দা নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com, hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫